# সুপ্রীম কোর্টনা পীখিবা ট্রিপল তলাক্কী ৱায়েল অদুনা লৈবাক অসিবু হেন্না চাউখৎহল্লগনি ঃ *এদিসনেল সোলিশিতর জেনরেল*

**নিউ দিল্লি, ওগষ্ট ২২ ঃ**

মুস্লিমশিংগী মরক্তা চৎনরিবা ট্রিপল তলাক্কী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা পীখিবা ৱায়েল অদু শিংথানিঙাই ওইবা অমনি। ৱায়েল অদুনা লৈবাক অসিবু মাঙলোমদা চঙশিনহনবা ঙমলগনি হায়না এদিসনেল সোলিশিতর জেনরেল পিঙ্কি অনন্দনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে। নাকল অমরোমদা বঙ্গালাদেশকী অইবী তাসলিমা নসরিন না হায়, সুপ্রিম কোর্টকী ৱায়েল অদুনা মুস্লিম নুপীশিংবু চপ চানা মনিং তমহনবা ঙম্লোই। চহী ১৪০০ চুপ্পা চৎনরক্লবা কুরানগী লো অদুগী ৱাংমদা চৎপগী তঙাইফদবা লৈ হায়খ্রে।

নাকল অমরোমদা উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর যোগী অদিত্যানাথনা হায়, ট্রিপল তলাক্কী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা পীখিবা ৱায়েল অদুনা নুপীশিংদা শক্তি পীবগী খোঙথাং অমা থাংজিল্লে হায়।

এদিসনেল সোলিসিতর জেনরেল ইন্দিয়াগী এতোর্নি জেনরেল মুকুল রোহাতগীনা লুচিংবা সেন্ট্রেল গোভর্ণমেন্টকী লিগেল টিমদা য়াওরি। কোর্টনা পীরিবা ৱায়েল অদু অফবা খোঙথাং অমনি ট্রিপল তলাক্কী চৎনবী অদুবু মায়কৈ কয়াদগী য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরক্লি। অরানবা মওংদা চৎনদুনা লাকখিবা মুস্লিমশিংগী ওইবা কুরানগী চৎনবী অদু চপ চানা থেঙনবা ঙমগদবনি। মুস্লিমশিংগী চৎনবীনা তলাক, তলাক হায়না অহুম্লক হায়রবদি মুস্লিম নুপা অদুনা মহাক্কী লোয়নবীবু খাইনবা য়াবগী চৎনবী লৈরি। মদু লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসন্না য়াদে। লোয়ননা আইন্না য়াদবা অমনি হায়রি।

সুপ্রিম কোর্টনা ঙসি ফোঙদোকখিবদা ট্রিপল তলাক্কী চৎনবী অসি কুরানগী মরু ওইবা লোশিংগী মায়োক্তনি হায়রি।

উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর যোগী অদিত্যানাথনা হায়, সুপ্রিম কোর্টনা ঙসি পীখিবা ৱায়েল অদু নুপীশিংদা শক্তিঃ পীবগী শীংথানিঙাই ওইবা খোঙথাং অমনি। খোঙথাং অসিনা লৈবাক অসিগী ধর্মদা মীচং মীখাই নাইদবা হায়বা থৌশিন অদু হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহল্লগনি। সুপ্রিম কোর্টনা পীখিবা ৱায়েল অদু তরাম্না ওক্লি। ৱায়েল অদু নুপীশিংদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবগী অহানবা খোঙথাং অমনি। মখা তানা থৌশিন কয়াসু পায়খৎলক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। সেন্তরনা হীরম অদুগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা পীরকপা ৱায়েল য়াগনি হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা থোইদোক্না ঙক্লিংঙাই ওইদে হায়খি।

বঙ্গালাদেশকী মমিং চৎলবী অমদি লাজাগী অইবা তাসলিমা নসরিন না ঙসি কোর্টকী ৱায়েল তারবা মতূং ফোঙদোকখিবদা কোর্টনা ট্রিপল তলাক্কী চৎনবী মুথৎনবা হোৎনরকখি। মদুনা মুস্লিম নুপীশিং মপুঙ ফানা নীং তম্নৱা হায়বদুদি নত্তে। ট্রিপল তলাক্কী চৎনবী মুথৎপা অদুনা নুপীশিংবু মপুঙ ফানা নীং তমহল্লে হায়না লৌবা য়ারোই। নুপীশিংবু মরোমদোম মনিং মখা তম্না লৈহন্নবগীদমক মহৈ মশিং হৈহনবা তঙাই ফদে। চহী ১৪০০ চৎনরক্লবা কুরানগী চৎনবী অদু মুথৎপদা নত্তনা মগুণ লৈবা মতমগা চুন্নবা চৎনবীদা নুপীশিং চৎহনবগী তঙাই ফদবা লৈ। ট্যুইতরদা নসরিন্না মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা ট্রিপল তলাক খত্তঃমক করিগী মুথৎকদৌরিবনো, ইস্লামিক লো নৎত্রগা সিরিয়া লোসু মুথৎকদবনি ধর্ম খুদিংমক্কী পামদবা চৎনবীশিং মীওইবা খুন্নাইগীদমক খল্লগা মুথৎকদবনি। নুপীশিংগী মায়োক্তা লৈবা ধর্মগা মরী লৈনবা চৎনবী অমসুং লাইগী থৌরমশিং পূম্নমক য়েংশিনগদবনি হায়রি।



উত্তর প্রদেসকী চীফ মিনিষ্টর যোগী অদিত্যানাথ, অইবী তাসলিমা নসরিন

# সিরিয়াগী রক্কাদা য়ু এস না লুচিংবা চুংশিন্নবা কাঙবুনা এয়ার ষ্ট্রাইক চথবদা মীওই ৪২ শিখ্রে



**রক্কা, ওগষ্ট ২২ ঃ**

সিরিয়াগী রক্কা সহরদা য়ু এস না লুচিংবা চুংশিন্নবা কাঙবুনা হৌখিবা পুং ২৪ গী মমঙদগী এয়ার ষ্ট্রাইক চথবদা সহর অদুগী বিল্ডিং কয়া অমাঙ অতা থোকখ্রে। লোয়ননা মীওই ৪২ শিখ্রে হায়না ব্রিটেন্দা বেজ তৌবা সিরিয়ান ওফজার্বেটরি ফোর হুমেন রাইটসনা ফোঙদোরক্লি।

পাউ অসিগী মতূং ইন্না ইস্লামিক ষ্টেট (আই এস) না খুদুম চনবনি হায়বা রক্কা সহরগী মফম কয়াদা এয়ার ষ্ট্রাইকনা চাউনা অমাঙ অতা থোকখ্রে। রক্কাদা লৈবা আই এস কী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনবা কাঙবুগী মীওই ৩২ শু শিখ্রে হায়রি।

নাকল অমরোমদা চুংশিন্নবা কাঙবুনা হায়, এয়ার ষ্ট্রাইক অদু চেকশিন্না চথখিবনি। মীচমশিংনা লৈবা মফমশিংবু লান্না লৌদুনা আই এস কী লৈফমনি হায়না এয়ার ষ্ট্রাইক চথবগী চাং হন্থহন্নবা হোৎনখি। সিরিয়ান দিমোক্রেটিক ফোর্সনা গ্রাউন্দ ৱার চথরকপদা চুংশিন্নবা কাঙবুনা এয়ার ষ্ট্রাইক চথখিবনি। হৌজিক ফাওবদা আই এস খালিফাত লাউথোক্কুনা অকনবা শক্তিগা লোয়ননা খুদুম চনখ্রবা মফম তঙ্খাই অমরোমদা হন্দোকপা ঙমখ্রে হায়রি।

সিরিয়ান ওফজার্বেটরিনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা চহী ৬ শুরবা সিবিল ৱার অদুগী শরুক অমা ওইনা চথরকখিবা লানফমদা ঙসি অঙাং ১৯ অমসুং নুপী ১২ য়াউনা মীওই কয়া শিখ্রে। আগষ্ট ১৪ দগী ঙসি ফাউবদা লৈবাক অদুদা থোক্লিবা লানফম অদুনা মীচম ১৬৭ শিহনখ্রে। সহর অদুগী থংনবা শরুকশিংদসু মখা তানা এয়ার ষ্ট্রাইক চথরি। ফিভম অদু য়েংলগা ঙসি শিখিবা মীচমশিংগী মশীং হেনগৎলকপা য়াই হায়রি।

রক্কাদা লৈবা মীচমশিং মশানা মশাবু কনজনবগী লম্বী ফংবা ঙমদনা লৈরি। চুংশিন্নবা কাঙবুনা হায়, লমদম অদুদা মীচম শোকপা হায়বদু হকচিন্না লৌই। অদুম ওইনমক ওবজার্বেটরিনদি মীচম কয়া মীশি মীনা নংহল্লে হায়না মরান শিরি। মদু মখোয়না থিজিনবা ৱাৎপননি। হৌজিক ফাউবগী ওইনা কয়াম য়াম্না মাঙ তাকখ্রবগে হায়বা খঙদোকপা হায়বসি অরুবা ফিভম অমদা লৈরি। চুংশিন্নবা কাঙবুনা মীচমশিংবু ইকায় খুমনৈ। চথরিবা লানফম অসিদা মীচম অমত্তা শোকহন্দনবা হোৎনরি। হান্নন্না লৌখৎলবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা মীচমশিংবু অশোয় অঙাম থোক্লোইদবা অমদি আই এস কী লৈফমশিং চপ চানা খঙদোক্কুনা এয়ার ষ্ট্রাইক চথনবা হোৎনরি।

করদিসশিংনা লুচিংবা সিরিয়ান দেমোক্রেটিক ফোর্সনা চঙশিল্লিবা খোঙজংদা চুংশিন্নবা কাঙবুনা মতেঙ পাংদুনা হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা এয়ার ষ্ট্রাইক ২০ লক চথখ্রে হায়রি।

# এন এস দি এন – কে গী সেল্ফ ষ্টাইল কেপটেন অমা অসাম রাইফলসনা ফারে

**কোহিমা, ওগষ্ট ২২ ঃ**

জুনহেবোতো টাউনদা আইন্না থিংখ্রবা নেসনেল সোসিয়েলিষ্ট কাউনসিল ওফ নগালেন্দ – খপ্লাং (এন এস সি এন – কে) গী সেল্ফ ষ্টাইল কেপটেন অমা অসাম রাইফল্সনা ফারে।

ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ অসাম রাইফলস (নোর্থ) গী পি আর ও না ঙসি থাদোরকখিবা চেরোল অমগী মতূং ইন্না মীওই অদু জুনহেবোতোগী অলাবুতো কোলোনিদা ওপরেসন চথবদা আই জি এ আর (নোর্থ) কী মঙাশুবা অসাম রাইফলসকী লান্মিশিংনা ফাখিবনি। থি হুম্বগী থবক চথবা অদুদা অসাম রাইফলসনা সেল্ফ ষ্টাইল কেপটেন অদু চৎলিবা থা অসিগী ১৬ তা ফাখিবনি। মীওই অদু জুনহেবোতোগী অলাবুতো কোলোনিদা লৈবা বিনাতো কৌবা মীওইনি হায়বা খঙবা ঙম্লে। ফারবা মীওই অদু জুনহেবোতো পুলিস ষ্টেসন্দা মখা তানা থিগৎনবগীদমক খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

পি আর ও গী মতূং ইন্না অতোপ্পা মফম অমদগীসু ৩৬ শুবা অসাম রাইফলসনা পুলিসকী মতেঙগা লোয়ননা থি হুম্বগী থবক চথবদা খূৎশু খূৎলাই অমসুং শেল ওইনা লুপা লীশিং ৪৩ ফাগৎপা ঙমখ্রে। অকক্লবা পাউ অমা ফংবগা লোয়ননা আই জি এ আর (নোর্থ) কী মীৎয়েং মখাদা ৩৬ শুবা অসাম রাইফলসনা চৎলিবা থা অসিগী ২০ দা দিমাপুরগী থিলিক্সু খুঙ্গংদা থি হুম্বগী থবক চৎথবদা চিনানা শাবা হেন্দ গ্রেনেদ অমা, কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু ৩২ অমসুং শেল ওইনা লুপা ৫০০ চৎপীদা লুপা লীশিং ৪৩ গা কোন্নন মীওই অমা ফাবা ঙমখি। মীওই অদু খুঙ্গং অদুমক্তদা লৈবা রাজাপেয়ু কৌবা মীওই অমনি হায়বা খঙবা ঙম্লে।

ফারবা মীওই অদু গ্রেনেদ, নোংমৈ মরু অমসুং শেনয়েকশিং অদুগা কোন্নন দিমাপুর পুলিস ষ্টেসন্দা শিন্নখ্রে হায়রি।

# ইটালিগী ইসচিয়াদা মেগ্নিচুট ৪.০ য়ৌবা য়ুহার হাবদা মীওই ২ শিরে ৩৯ শোকখ্রে

**রোম, ওগষ্ট ২২ ঃ**

ইটালিগী ইসচিয়া লমদমদা ঙরাং অহিং মেগ্নিচুট ৪.০ য়ৌবা য়ুহা হাবদা য়ামদ্রবদা নুপী অনী শিরে। অদুগা মীওই ৩৯ অশোক অপন নংখ্রে। ইসচিয়া হায়রিবা ইথৎ অদুদা য়ুহা অদুনা য়ূম কয়া নিংখাইহনখ্রে। ইথৎ অদু মীওই লীশিং ৫০ রোম লৈবা অমসুং লম কোয়বশিংগী খ্বাইদগী পূক্নীং চিংশিনফম ওইবা মফম অমনি। অতেক অকায় মরক্তগী অঙাং নুপামচা অমা মী কনবা কাঙবুনা ঙসি অয়ূক ইকোন কোনবা ওইনা কনবা ঙমখ্রে। অকিবা ফংলবা য়ুহা অদুনা অমম্বা মরক্তা কা হেনবা মওংদা নিকহনখি। লোয়ননা য়ূম কয়া নিংখাইহনখি। লমদম অদুদা লৈবা মীওই অমনা ফোঙদোরকখিবদা য়ুহা হারকখিবা মতম অদুদা মহাক টি ভি য়েংদুনা লৈখি। মতম অদুদা কন্না নিকপগা লোয়ননা মহাক্কী মকোক্তা পোৎশক অমা তাশিল্লকখি। মতম অদুমক্তদা মহাক্কী অপোকপী মমানা কিনা লাউরকপগী খোঞ্জেল তাখি। মমানা মহাকপু চিংথোকপগা লোয়ননা য়ূমগী মপান্দা চেন্থোরকখি। য়ুহা অদুনা ইথৎ অদুদা লৈবা য়ূম খরদি লৌবা য়াদনা নীংখাইহনখি।

চহী ১১ রোম শুরবা নুপামচা অমা ঙসি অয়ূক অতেক অকায় মরক্তগী লৌথোকপা ঙমখিবগী ফোটোশিং সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎনখি। নীংখাইখ্রবা বিল্ডিংশিং অদুগী মনুংদা য়ূম, হোটেল অমসুং হোস্পিটালশিং য়াওরি হায়রি।

# টেল অফরদা ইরাক ফোর্স থোমজিনখ্রে



**বাগদাদ, ওগষ্ট ২২ ঃ**

ইস্লামিক ষ্টেট (আই এস) মিলিতেন্টশিংনা খুদুম চন্দুনা লৈরিবা টেল অফর লৌশিন্নবগীদমক ইরাক্কী লান্মিশিং থোমজিনখ্রে। কাউন্টর টেরোরিজম য়ুনিৎনা ঙসি কিফা দিষ্ট্রিক্টকী খা নোংচুপ থংবা শরুকশিং য়ৌশিনবা ঙমখ্রে। সহর অদু লৌশিন্নবা হোৎনবদা আই এস মিলিতিন্টেশিং রোকেৎ কাপশিল্লকপা অমসুং সুসাইদ কার বোম পোখাইহল্লকপগী থৌদোক কয়াসু থোকখ্রে হায়না কাউন্টর টেরোরিজম য়ুনিৎকী কম্মান্দর অমনা ফোঙদোরকখি।

ইরাক্কী প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়রি, মমাঙ থাদা মোসুল সহর মায় পাক্না লৌশিনবা ঙমখ্রে। অদুগী মতূং টেল অফর লৌশিন্নবা হোৎনরি। প্রাইম মিনিষ্টর হাইদর অল অবাদিনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা টেল অফর সহরদা হৌজিক আই এস জিহাদি ২০০০ রোম লৈরি। অদুগা মখোয়না মীচম লীশিং ৪০ রোম কন্ট্রোল তৌরি। মখোয় হৌজিক সরেন্দর তৌবা নৎত্রগা শিজবা হায়বা অসিগী মনুংদা অমা খনগদবনি। ইং ২০১৪ দা আই এসনা টেল অফর খুদুম চনখিবা মতম অদুদা মীচম লাক্ষ অনীরোম লৈখিবনি। অদুম ওইনমক অয়াম্বা মীশিং লানজেন্নখ্রবনি হায়রি।

# বেঙ্ক ইমপ্লোয়িশিংগী ষ্ট্রাইকনা ট্রিপুরাদা চাওনা অকায়বা থোকহনখ্রে

**অগর্টলা, ওগষ্ট ২২ ঃ**

পব্লিক সেক্টর বেঙ্ক ইমপ্লোইয়িশিংনা চথখিবা নোংমগী ওইবা ষ্ট্রাইকনা মরম ওইরগা ত্রিপুরাগী মহৌশাগী ওইবা বেঙ্ককী থবক থৌরমশিংদা চাওনা অকায়বা থোকহনখ্রে। লৈঙাক্না পুখৎলকখিবা কনসোলিদেসনগী থৌশিন অমবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্কুনা প্রাইভেৎ সেক্টর বেঙ্ককী থৌমীশিংনা নোংমগী ওইবা থবক লেপ্পগী খোঙজং অদু চঙশিনখিবনি।




য়ুনাইটেত ফোরম ওফ বেঙ্ক য়ুনিয়নগী জোইন্ট কনভেনর স্বাপন মোদাকনা ফোঙদোরকখিবদা ষ্টেট অদুদা লৈবা মরু ওইনা ত্রিপুরা গ্রামিন বেঙ্ক অমসুং ষ্টেট কো ওপরেটিভ বেঙ্ক অমদি নেসনেলাইজ বেঙ্ক ২৭ কী থৌমী ৪৫০ না খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবনা মরম ওইরগা অয়াম্বা বেঙ্কশিং থোঙ লোনখি।

ষ্ট্রাইক অদু নেসনেলাইজ বেঙ্কশিং অমসুং ইন্দিয়ান বেঙ্ককিং সেক্টরবু প্রাইভেতাইজ তৌননবা সেন্ট্রেল গোভর্ণমেন্টনা লৌখিবা ফিরেপ অদু য়ানিংদবা ফোঙদোক্কুনা চঙশিনখিবনি হায়রি। লৈঙাক্কী ৱারেপ অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্কুনা তোঙান তোঙানবা নেসনেলাইজ বেঙ্ক, গ্রামিন বেঙ্ক অমসুং ষ্টেট কো ওপরেটিভ বেঙ্ককী থৌমী কয়ানা ষ্ট্রাইক অদুদা য়াওশিনখিবনা মরম ওইরগা ষ্টেট অদুদা ঙসি মহৌশাগী ওইবা বেঙ্ককী থবক থৌরমশিংদা চাওনা অকায়বা থোকহনখি হায়রি।

# মেঘলয়াদা কংগ্রেসকী মতম লোইখ্রে বি জে পি না মথংগী লৈঙাক পায়রগনি

**শিল্লোং, ওগষ্ট ২২ ঃ**

মেঘলয়াদা কংগ্রেসকী মতম লোইরে। মথংগী লৈঙাক বি জে পি না পায়রগনি হায়না বি জে পি ষ্টেট ভাইস প্রসিদেন্ট জোন এন্থোনি লিংদোনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

লুচিংবা অদুনা মখা তানা হায়, ষ্টেট অদুদা বি জে পি না লুচিংবা লৈঙাক অমা লাক্লগনি হায়বদু কনফার্ম তৌরে। লাক্কদৌরিবা ষ্টেট এসেমব্লি মীখল অদুদা বি জে পি না অঙকপা মওংদা চাউনা মায় পাক্লগনি। ইং ২০১৪ দা পাঙথোকখিবা লোক সভাগী মীখলদা কংগ্রেস পার্টিনা চাউনা মায়থিবা মায়োক্লখ্রবনি। মীয়াম্না হৌজিক খঙলে মদুদি কংগ্রেসকী মতম লোইখ্রে। বি জে পি না মহুৎ শিল্লগনি। ষ্টেট ২৯ গী মনুংদা ষ্টেট কয়া বি জে পি লৈঙাক পায়রে। ষ্টেট কয়াদা বি জে পি মথন্তনা মেজোরিটি ফংদুনা লৈঙাক পায়রে অদুগা ষ্টেট মঙাদনা চুংশিন্নবা লৈঙাক শেমদুনা বি জে পি না লুচিংলি।

বি জে পি গী হন্দক্তঃা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা অরোনবা এজেন্দা লৈতে। মীফম অদুগী পান্দমদি মীয়ামগী পূক্নীং হোংদোকহনবা অমদি ৱাথোক কয়া লোইশিনবা হায়বসিনি হায়না লিংদোনা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

মেঘলয়াদা মথং চহী ইং ২০১৮ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অদুদা মীৎয়েং থমলি। বি জে পি গী ওইনদি মেঘলয়াদা শেঞ্জা থুমজা লৈহন্দবা হায়বসিদা মীৎয়েং থমলি হায়রি।

## অৱাবা ফোঙদোকপা

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা থাঙ্গ সলাম লৈকাইদা লৈবা নিংথৌজম জয়চন্দ্র সিংহ অপোকপা এন গান্ধি সিংহ চৎলিবা থা অসিগী ২১ দা [redacted] ইবাক্লদুনা লৈখিদ্রে। লৈখিদ্রবগী অষ্টি সঞ্জয় তাং [redacted]ইং দা পাঙথোক্লগনি। অদুগা শোরাৎনা তাং [redacted] দা থোক্লে। নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবগী মরুপ মপাং [redacted]বিনবা পাউজেল পীজবগা লোয়ননা অৱাবা

ফোঙদোকচরিবা
ইমুং মনুং



আগষ্ট ২৫ দগী নুমিৎ ১০ চুপ্পা [redacted]
শেম শারবা গনেসকী [redacted]

GAS TODAY

**Lambodara Indane Service**
Booking ............ 27/05/17
Valid .................. 19/05/17
Stk ....................... 306
Time ....7.30 to 10.00 am

**Hrangchal Gas Agency Old Lambulane**
Booking ............ 09/05/17
Valid .................. 05/05/17
Stk ....................... 306
Time ... 7.30 to 10.30 am
for Aadhar Linked Consumers only

**K & K Indance Service**
Booking ............ 02/05/17
Sl No. up 300
Valid .................. 25/04/17
Stk ....................... 612
Time .....7.30 to 11.00 am
First come first serve

**Bashikhong Indane**
Booking-upto ... 31/05/17
Valid .................. 30/04/17
Stk ....................... 306
Time ....7.00 to 10.00 am

**Imphal LPG Service**
Booking-upto ... 16/05/17
Sl No. up 12130
Valid .................. 04/05/17
Stk ....................... 306
Available 19 Kg connection

**J. Rongmei SK Indance Service, Mantripukhri**
Booking-upto ... 27/05/17
Valid .................. 19/05/17
Stk ....................... 306
Time ....6.00 to 9.00 am

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-915**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 3 | 5 | | | | | 7 | 1 |
| | | | 8 | | | | | 4 |
| | | | 3 | | | | | 9 |
| | | | | 5 | 4 | | | |
| 3 | 9 | | | | | 2 | | |
| 7 | | 6 | | | 9 | | | |
| 1 | | 7 | | 6 | | 4 | | |
| | | | 5 | | 2 | 7 | | |
| | 6 | | | | | 3 | 9 | |

সনা–সুদোকু – ৯১৪গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 1 | 6 | 9 | 7 | 4 | 5 | 2 | 8 |
| 8 | 4 | 7 | 2 | 5 | 3 | 1 | 9 | 6 |
| 9 | 2 | 5 | 6 | 8 | 1 | 7 | 3 | 4 |
| 2 | 8 | 9 | 1 | 4 | 5 | 3 | 6 | 7 |
| 6 | 7 | 3 | 8 | 2 | 9 | 4 | 5 | 1 |
| 1 | 5 | 4 | 3 | 6 | 7 | 2 | 8 | 9 |
| 5 | 3 | 1 | 4 | 9 | 6 | 8 | 7 | 2 |
| 4 | 6 | 2 | 7 | 3 | 8 | 9 | 1 | 5 |
| 7 | 9 | 8 | 5 | 1 | 2 | 6 | 4 | 3 |